# সনালৈবাক স্পোর্টস







*মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিসতগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুং মশা ফিট ওইদবদগী থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনদগীসু ৱিদ্রো তৌবা য়ানা লৈরিবা হান্নগী নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মস*

*স্পেনগী লা লীগাগী মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদকী মার্সেলোদা নিয়ম লান্না ফাউল তৌরুবগীদমক স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসননা মেটচ ৪ অথিংবা থমখ্রবা বার্সেলোনাগী শান্নরোই সর্জিও রোবার্টো*

## ৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহানবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা জপানগা শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ০৯ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দোংঘেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহানবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা জপানগা লম্বা তৌনরগনি।

থা অসিগী ১৩ দগী ২০ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী সিটি দোংঘেদা শান্নগদৌরিবা ৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা এসিয়াগী হোক্কি শান্নবা লৈবাক ৫ না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনগদৌরি।

শরুক য়াগদবা টিম ৫ অদুদি য়ুম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়া, ইন্দিয়া, জপান, চাইনা অমসুং মালেসিয়ানি। টিমশিং অসিনা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা মেটচ অমমম শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগনি।

পনবা য়াবদি চহী ২।২ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৬ কী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা চাইনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতসু ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা চেম্পিয়ন ওইদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদুনা লাক্লি।



*এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম*

৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন রানি রামপাল, ফোরৱার্দ পুনম রানি অমসুং দিফেন্দর মণিপুর মচা সুসিলা চনু শরুক য়াররোই। মখোয়গী মহুৎতা নহা ওইরিবী শান্নরোই খরা হাপচিল্লগা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াহনখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা মেডল ফংবা ঙমহৌদ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা মেডল ফংবা ঙমহৌদবা অদু মেনখৎতুনা ৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি হায়না ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন সুনিতা লাক্রানা পাওমীশিংদা ফোঙদোকখি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমস অদুদা মকোক থোংবা টিম ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেটচশিং অদুগী এক্সপরিয়েন্স অদুনা মরম ওইরগা ৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা কান্নবা পীরগনি হায়নসু সুনিতা লাক্রানা মখা তাখি।

৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা চয়োল ৩ মুক ট্রেনিং তৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎনবগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি।

৫শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিদা নৌনা শরুক য়ারিবী নহা ওইরিবী শান্নরোইশিং অসিনা তুং দা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অমসুং এসিয়ান গেমসতা হেন্না কান্নবা পীরগনি হায়নসু সুনিতা লাক্রানা মখা তাখি।

## টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়মনা মেডল ফংনবগীদমক শান্নরোইশিং ট্রেনিং পীরিঃ রাথোর

*ন্যু দিল্লি, মে ০৯ঃ*

কুমজা ২০২০ দা জপানন য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক মচং ওইবা শান্নরোই ২০০ দা হিরম খুদিংমক্তা ৱাৎপা লৈহন্দনা নীংথিনা শেম শাবগা লোয়নন টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মখাদা গেমস অসিদা য়ামদ্রবদা মেডল ৯ দগী ২০ ফাওবা ফংনবা পান্দম থমদুনা অঙম্বা থাক্তা শান্নরোইশিংবু ট্রেনিং চথগনি হায়না ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি মিনিষ্টর মশামক কুমজা ২০০৮ গী এঠেন্স ওলিম্পিক গেমসকী সুট্টিং দিসিপ্লিনগী দবল ট্রেপ ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াবু শান্নবগী লমদা মালেমদা শক্তাক্লম্বা শান্নরোই ওইখিবনি।

শান্নবগী লমদা ঙসি ইন্দিয়ানা অনৌবা মায়ওন অমদা খোঙ থাং জিল্লক্তুনা তোঙান–তোঙানবা মশান্নদা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙমগদবা শান্নরোইশিং খনগৎতুনা মতম চঙনা অকনবা ট্রেনিং পীদুনা মকোক ওইননবগীদমক হোৎনরগনি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।



*ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোর*

ৱার্ল্ড ক্লাস কোচিংগা লোয়নন ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পুম্বা ফংহন্দুনা করিগুম্বা শান্নরোইশিং অশোক অপন য়াওরকপদা মতম চঙনা অমদি নীংথিনা রিহেবিলিটেসনগী খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরি।

হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মেডল টেলিদা অহুমশুবা তাখিবা অদুগীদমকসু মিনিষ্টরনা শান্নরোইশিং অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীবা ঙম্বগী থৌনা লৈ। পূম্নমক্কী মথক্তা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লসু অচৌবা ইনোৎ পীদুনা শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগীদমক মেডল কয়া পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী মনু ভাকরনা আইএসএসএফ মেক্সিকো ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড ফংখিবা, চহী ২০ দা ঙাইরিবা নিরজ চোপ্রানা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ড গেমসতা জেবলিন মশান্নদা গোল্ড লৌরকখিবা লোয়নন মশাগী চহী ১৫ দা ঙইরিবা অনিস বনৱালানা মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেডল লৌদুনা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংগী মনুংদা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী নহা ওইবা এঠলিট অমনা গোল্ড লৌবা ঙম্বা ওইখি।

কুমজা ২০১০ গী ন্যু দিল্লি কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়ানা মেডল টেলিদা অনীশুবা তাখ্রবসু লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেডল অমত্তা ফংলকখিদবা অদু নীংশিংলদুনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদদি গোল্ড মেডল য়াওনা মেডল মশীং ৮ দগী ২০ ফাওবা য়ৌন্নবগী পান্দম থমদুনা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মখাদা শান্নরোইশিং ২০০ রোমদা ট্রেনিং পীরিবনি হায়নসু য়ুনিয়স স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা মখা তাখি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির বর্ম অমসুং সাই প্রনিথ ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*সিদনি, মে ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই সমির বর্ম অমসুং বি সাই প্রনিথ মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এ মানোটাবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম ওষ্ট্রেলিয়াগী মানোটানা ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেম অদুদা কন্না হোৎনরক্তুনা ২১–৯, ২১–৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরব বর্মবু ২১–১৯, ১৭–২১, ১২–২১ দা থোইরম্বা জপানগী টি উএদাগা শান্নরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ইজরেলগী শান্নরোই এম জিবরমেনবু স্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই আর ৱাই চিট্টাবোইনাবু ২১–১১, ২১–১৭ দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী পিএ মোলানাগা লম্বা তৌনরগনি।



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম (ওই) অমদি প্রনিথ*

জুনিয়র বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ লি চুক লিয়ুগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২২–২০, ১৩–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অজয় জয়ারাম জপানগী শান্নরোই আর কাকেসিটাগী মখূত্তা ২২–২০, ২০–২২, ১৭–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কে আর রাজারাজন ইন্দোনেসিয়াগী কুনকোরোনা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ২১–১৫, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভি আর জাক্কানা ইংলেন্দগী জি ব্লান্দবু ১৯–২১, ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী এম লিবু ২১–১১, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্বা চাইনাগী হান ৱাইগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী কুদারাভালি অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই সুসান্টোগী মখূত্তা ১৮–২১, ২০–২২ দা মায়থিহৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র এম জাকম্পুদি অমসুং পিএস রামনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এম চান অমসুং জে ভেগাবু ২১–১০, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৩শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এল দেফোল্কি অমসুং এম ফারিমেনবু ২১–১১, ২১–১০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৭শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী আর্জুন অমসুং শ্লোক্লা ওষ্ট্রেলিয়াগী টাম অমসুং ভুৱোংবু ২১–৭, ২১–১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র এস শর্ম্ম অমসুং পিএস রামনা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ৱাই এফ মাইনাকি অমসুং এল এ মাইনাকিবু ২১–১৩, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র আর কাপুর অমসুং কে গর্গ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সিও এস জে অমসুং চাই ৱাই জেগী মখূত্তা ১০–২১, ১১–২১ দা মায়থিহৌখি।

## পেরিস সেন্ট জর্মেননা ফাইনেলদা লেস হরবিয়র্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ কপকী টাইটল লৌখ্রে

*পেরিস, মে ০৯ঃ*

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রান্স কপকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা লীগে ৱানগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা লেস হরবিয়র্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা কপ অসিগী ১২রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ফ্রান্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা কেন ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা লেস হরবিয়র্সনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা এফসি কেম্লিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং লেস হরবিয়র্সনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা লৈবা ষ্টদে দি ফ্রান্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফ্রান্স কপকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্না লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৫ রোমগী মতম হৌজিনখ্রবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা পেরিস



*ফ্রান্স কপ ফুটবোলগী টাইটল ফংখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জিওভানি লো কেলসোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লেস হরবিয়র্সপু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোখরবা লেস হরবিয়র্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নরকখিবা অদু পেরিস সেন্ট জর্মেনগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইবা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা এটেক তৌদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২৫ রোম মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি।

পাঞ্জল শুংশোয় শোয়দনা ওইবগী চাং ৱাংনা লৈরবা পেনাল্টি কিক অদু টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই ইদিসন কভানিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লেস হরবিয়র্সপু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবা অমদি লেস হরবিয়র্সকী মায়কৈদগীসু শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দাকপা ঙমখিদবদগী ফ্রান্স কপকী ফাইনেল মেটচ অদু পেরিস সেন্ট জর্মেননা পাঞ্জল ২–০ দা লেস হরবিয়র্সপু থোইদুনা ১২শুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ২শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ০৯ঃ*

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা চথরিবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই কিকি বর্টেন্সনা নম্বর টু সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকীবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ৱোজনিয়াকীগী সার্ভিস





গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদসু কিকি বর্টেন্সনা চপ মান্নবা স্কোরদা ৬–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কৃষ্টিনা প্লিজকোভাবু য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী এস ষ্টেফেন্সপু ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্বা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ জর্মনিগী জে জে র্জেসপু ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসএগী বি পেরাবু ২–৬, ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্বী স্পেনগী স্বারেজ নভারোগা লম্বা তৌনরগনি।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ফ্রান্সকী জি মোনফিলসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## বুন্দেসলীগাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী গোলকিপর রুশিয়া ৱার্ল্ড কপ য়াওরোইদৌরি

*বর্লিন, মে ০৯ঃ*

জর্মনিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী টাইটল লৌখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী গোলকিপর মখোঙ শোকপনা মরম ওইরগা রুশিয়া ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারোইদৌরি।

মেনুয়েল ন্যুয়র কুমজা ২০১৪ দা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখিবা জর্মনিগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী নম্বর ৱান গোলকিপর ওইনা শরুক য়াখিবনি।

পনবা য়াবদি বেয়র্ন ম্যুনিক্কী গোলকিপর মেনুয়েল ন্যুয়র মখোঙ শোকপনা মরম ওইরগা মতম খরা পোত্থাগদবা মরম্না জর্মন কপ ফাইনেল অমসুং বুন্দেসলীগাগী ফাইনেল শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না টিম অসিগী কোচ জুপ হেনকিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মেনুয়েল ন্যুয়রগী মহুৎ রিজার্ভ গোলকিপরদা লৈরিবা এসভেন উলরিচনা বেয়র্ন ম্যুনিক্না মখা তানা শান্নগদবা মেটচশিংদা গোলকিপরগী থৌদাং লৌরগনি।